# ‘পুকচেল শেংদবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিং’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র

মণিপুরদা থোল্লিবা লান অসি লোক সভা মীখল মতুংদা নাকল অনীমক্কী মীওইশিংগা ৱারী শানদুনা লোইশিল্লগনি। লোয়ননা থোল্লিবা মণিপুরগী লান অসি কুকি অমসুং মীতৈশিংগী মরক্তা থোকপনি। মসিদা টেররিজমগী খূৎ য়াওদে হায়না ন্যুজ এজেন্সী অমদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফোঙদোকখ্রে। মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদনা মণিপুরদা থোল্লিবা লান অসি এক্সটর্নেল এগ্রেসন য়াওই হায়না হোম মিনিষ্টরনা থমখিবনি। অমুকসু মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ষ্টেটস তানবগী মায়োক্তা ত্রাইবেলশিংনা সোলিদরিটি মার্চ অমা চৎখি মে ৩, ২০২৩দা। মদুদগী লান অসি হৌরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। মতাংসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং রাজনাথনা অমা হায়, কিরেন রিজিজুননা অমা হায় তৌদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্না অমুক লোক সভা ইলেক্সন মতুংদা ৱারী শানদুনা মণিপুরগী লান অসি লোইশিল্লগনি হায়রক্লি।

লাল্লিবা ৱাহংদি অসুক কুইনা চহী অমা চুপ্পা অৱা অনা, মীকপ-মীরাওখোলতনা থলহন্দুনা লৈহল্লগা ১৮শুবা লোক সভা মীখল মতুংদা ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়রি। শাওনীংবদি লায়রদনা নোক্লিংবা অমদুম ফাওজিল্লক্লে। মখোয়না, মেন্দলেন্দ ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংসিনা মণিপুরগী ইস্যু অসি করিসু লৈতনা লৌই হায়বদু ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লে। লোক সভা মীখল লোইখ্রগা অনৌবা য়ুনিয়ন লৈঙাক অমা লাক্ত্রিঙৈদা মণিপুরগী ইস্যু অসি শন্তাইনবা অমা পুরকপা হায়বদুমা তেনখ্রবা মতমদুদা ওইদ্রবা ৱানি। অমুকসু মথংগী য়ুনিয়ন লৈঙাক নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি অমসুং চুংশিন্নবা পার্টিশিংনা লৈঙাক পায়গদৌরিবরা পায়রোইদৌরিবরা হায়বদুসু তস্বা ঙস্বা নৎত্রি। দেমোক্রেসিগী মরুমদা নরেন্দ্র মোদিনা তৌরিবা দিক্টেটরশিপকী লৈঙাক মওং অসি লৈবাক অসিগী য়াম্লবা মীয়াম্না পাম্নদ্রে। পাম্নদবগী ৱাদা নত্তনা মঙোন্দা মখা তানা লৈঙাক শিন্নরবদি লৈবাকসি করি তৌরকপা য়াবগে, করি ওইরক্কদগে হায়বগী অকিবা অমা ফাওনরিবনি। অওনবা অমা পাম্নরবনি। মতাংসিদা মণিপুরগী রাজনিতিগী ৱাদি পন্দ্রসু অদুম ইখঙ খঙনরবা ৱানি। সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিদুদা অদুমক মায়ওন ওনশিনখিনি, নুমিৎলৈগী মতৌনি। লৈঙাক পায়রিবদুদা ওনশিন-ওনশিন্দুনা চোংশিন্নখিনি। সেন্টরদা লৈঙাক্লিবদুগা মান্নবা পার্টিগী লৈঙাক লমদমসিদসু অদুম লাক্কনি।

ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা থোল্লিবা লান অসি টেররিজম নত্তে হায়বদি টেররিষ্টশিংগী খূৎ য়াওদে হায়রিবসিবু করম্না হায়রিবা, মশানা লৈঙাক্কী লুচিংবশিং য়াওনা মীয়াম্না নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্ট হায়দুনা অদুমক খঙনদুনা লাক্লবনি। মরমদি মখোয়না মরাল লৈজদবা মীতৈ মীচম মীয়ামদা চথুরক্লিবা তমথীরবা মওংদা শা-ঙা হাৎপগুম্না হাৎলক্লিবা অসিনা মখোয়সি অদুমক টেররিষ্টনি, মখোয়না চথুরক্লিবা থৌওং অদু টেররিজমগী থৌওংনি হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফম্নি। মালেমদা মমিং লৈরিবা মুস্লিমগী টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অল-কাইদা, অল-নুজরাহ ফ্রন্ট, টালিবাননচিংবনা তৌথোরকখিবা টেররিষ্টকী থৌওংশিং অদুদগী নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা তৌথোরকইবা অসিগা করিদা খেন্নরিবগে। ইশম শম্না মণিপুরদা থোল্লিবা লান অসিদি মপূং ওইনা ম্যান্মারদগী আইন কায়না চঙশিল্লকখিবা খূৎলায় পায়বা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অদুগী কেদরশিংনা থোকহনবনি হায়বসি মীপূম তিংনা খঙনরবা ৱাফম্নি। মসিদা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিং অসিবু কনখৎপগী ৱাখক ঙাঙবসি ঙাঙহন্নীংদে। করিগীদমক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিং অসিবু কনখৎতুনা য়োক্তুনা থল্লক্লিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। মশাগী হোমলেন্দ লৈজদবা ম্যান্মারদা, বাংলাদেশতা মখোয়গী খোঙদাফম লৈশিল্লত্ত্রবা কুকি জৌ ফূরুপকী মীওইশিং অসিনা মণিপুর অসি মচেৎ তানা থুগাইনবা পো কাঙলকপদা তূমিন য়েংদুনা লৈগদবা মীতৈ মচা লৈরোই হায়বা ৱাফমসিসু পঞ্জনীংই।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা চীং লৈবাক্কী মণিপুরবু য়াম্না হস্থনা য়েংবসু চুল্লোই। চহী লিশীং অহুম হেনবগী পুৱারী লৈজরল্লবা মণিপুরনি। য়ূমলোন্নবা লৈবাক কয়াগা হুইয়েন লানশিংনদুনা লৈবাক অসি ঙাল্লকপনি। শাংলবা মণিপুরগী পুৱারীদা চহী তরেৎ অৱাগী মীখা পোল্লুরে। কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা অমুকসু ইংরেজিশিংগী মখাদা, কুমজা ১৮৯১দগী ১৯৪৭ ফাওবা চহী ৫৬ মীখা পোল্লুরে। নাকল অমরোমদা, শুপচিন্না য়েংবদা Battle of Plassey, 1757 দগীদি ঙসি চাওখৎলবা ইন্দিয়াগী মফমশিং বৃটিশ লৈঙাক্কী মখাদা লাকখ্রে। বৃটিশ লৈঙাক্কী চহী ১০০ মপূং হেক ফারকপা বৃটিশশিংগী মায়োক্তা কুমজা ১৮৫৭তা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংনা লান হৌরকখি মদুবু সিফাই লালহৌ অমদি অহানবা ইন্দিয়াগী নীংতম লান হায়না খঙনরিবসিনি। হৌজিক্না অমুক কুমজা ২০৪৭তা ইন্দিয়ানা মালেমগী খ্বাইদগী শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইগনি হায়না মখৌ পোঙলি। লুরিবদি মশাগী লৈবাক মনুংগী লান ফাওবা শন্তাইনবা ঙমদবা ইন্দিয়ানা মালেমগী ফম্বাক্তা করম্বা ফিদা ফংবা ঙমগদৌরিবনো অমদি মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা মরক্তা করম্বা মীৎয়েংনা য়েংবা হৌরল্লবগে হায়বসিনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লবু লোইশিনগে হায়রবদি মণিপুরদা নার্কো কুকি জৌশিংনা নমদুনা থোকহল্লিবা লান অসিদি চয়োল অমগী মনুংদা লোইশিনবা য়াবনি অদুবু লোইশিন্দে। নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিং অসিবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী লালহৌবগী ঈরাং অসি নমথগে হায়বগী ৱাফমসু লৈরমগনি। অমুকসু মণিপুর মচেৎ তানা কায়বদা ইন্দিয়াদি করিসু শোক্তে হায়বগী ৱাখল্লোন্দুনা মাঙওইনরগা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা তৌখিবগুম মণিপুরদসু তৌগে হায়না খল্লম্বসু য়াই। মতাংসিদনি মণিপুরদা খুন্দারিবা মীতৈশিং মণিপুরসি অমত্তা ওইনা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ ফূরুপ ৩৫ অসি নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা পাম্মী অদুগা ফূরুপ খরনা মচেৎ তানা থুগাইবা পাম্মী। মীতৈশিংতনা ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’ গী ৱাখল্লোন শাগৎপদা নত্তনা অতোপ্পা ফূরুপশিংনসু আইদিয়া ওফ মণিপুর শাগৎমিন্নগদবনি। লুরিবদি সিপরেসননা থম্মোয়নুংদা ওমদুনা থম্নবসিনি।

মীতৈশিংনা নুংশিনা ঙাক শেন্দুনা লাকচবা ইরমদম মণিপুর অসিগী পুৱারীদা শীংনবা মীতৈশিংদা খোইদৌ শাওগৎনবা ঙাক্তা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী লোয়শঙশিংদা থবক তৌরিবা অমদি য়াইতোং খমদোংবশিংনা তৌদুনতা লাক্লি। ময়ামদুগী মরক্তা মসিমসু অমনি মদুদি দেল্লীদা বেজ তৌবা নেসনল কাউন্সিল ফোর এদ্যুকেসনেল রিছর্স এন্দ ত্রেনিং (এন সী ঈ আর টি) না ফোঙবা লাইরিক ‘লর্নিং থ্রু ইন্দিজনস গেমস’ হায়বদুদা মুক্না কাংজৈবু ‘মণিপুর’ হায়গদবদা ‘মিজোরাম’ হায়জিল্লকখিবদুসু। অসিগুম্বশিংসি খঙনা খঙনা তৌরিবরা হায়বগী ৱাহংসু লাকই। অমুকসু মিজোরাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মদু শেংদোরকফম থোকপনি। মশাগী নত্তে খঙলবদুদা তূমিন্না লৈশিনবা হায়বসি ইকায় খঙদবগী থৌওংনি। মিজোরাম কা হায়বা লমসিদি ঙরাং নহান্তা অসাম্না পোকপীখিবদা ঙাইরিবা ষ্টেটনি। কুকি জৌ ফূরুপকী মীওইশিং অসি করম্বা লাইনা শারকপনো অসুক ইকায় খঙদ্রিবসিবো হায়বদো হেক য়ৌইদা। মণিপুরগী থাংজিঙ, কৌব্রু ইম্ফাল মখোয়না মমিং পংথোন্দা থোল্লি। মসি য়াদে হায়বদু খঙহনখিদবনা অসুম অসুম হেঞ্জিল্লকখিবনি। মফি মরোল ফাওবা শেৎলমদবা মখোয়না ইংরেজশিংগী লৈঙাক লাল্লবা মতুংদা তপ্না তপ্না তাইবঙপানবগী ৱাখল লাকখিবনি। খৃষ্টিএনিতি লৌখিবদগী তপ্না তপ্না হিংবগী ফীভম শাগৎলকখিবনি। হৌজিক্তি লোইরে মখোয়না তৌরিবসি ইন্টরনেসনল ফোরম কয়া য়ৌরে। মীশিং য়ামজদবা খৃষ্টানশিংবু মশীং য়াম্বা হিন্দু মীতৈশিংনা ওৎপীরে, য়ূম মৈ থাবীরে, তাম্থোকপীরে, মখল মখা কয়াগী প্রোপেগন্দানি মখোয়না তৌরিবসি। তশেংবদি য়াম্না কুইনা প্লান তৌদুনা লাকপা মখোয়গী হোমলেন্দ অমা শেম্বগী ৱাখল মঙলান অদু করি করম তৌরগা মপান থোক্না লৈঙাক্কী মায়কৈদা হৌসিগে হায়না খন্দুনা লাকখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্না খরা উশিন্না খরা উশিন্নদনা লাকপনা কুকি জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা থাবা য়াবা পোপি পাম্বী থাখ্রবনি, তানবা য়াবা শেল তানখ্রবনি। মখোয়না খুন্দাবা মণিপুরগী চীংগী লমশিং মরূ কোকখ্রবনি। অদুগা মখোয়গী ফূরুপকী এম এল এনসু হায়জরি পোপী পাম্বী অসি ফজবগী থাবনি হায়না। কয়াদা থৌদাং য়াওদবা ৱাঙাঙনো।

লোইশিল্লকপদা, চহী অমা হেনখ্রবা নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা নমদুনা মণিপুরদা থোকহনবা লান য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কুম্মৈ য়েংবা পেল্লবরা অমিট শাহনা লোক সভা মীখল মতুংদা নাকল অনীমক্কী মীওইশিং ৱারী শানদুনা লোইশিল্লগনি হায়রিবসি। লান কল্লকখিবা মতম মে ২৯, ২০২৩দা লাক্লম্লগা মণিপুরদা অৱা-অনা নংলবশিংবু উনরমখিবা হোম মিনিষ্টরনি। নুমিৎ হুম্নি লৈরম্লগা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা লাক্কে হায়রগা অদুম লাকখিদে, হন্দক ভোট ময়াদা পুং খরগী খোঙচৎতা লাকখিবা নত্তনা। অমুকসু প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নুপা অমনা মহাক্কী লৈবাক মনুংদা লান থোল্লগা নোংমতসু চৎতুনা য়েংশিনখিদবা হায়বসি নরেন্দ্র মোদি নত্তনা মালেমসিদা কনাসু লৈরম্লোই। ‘গিনিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্দ’ তা চনবা য়ানি। অদুনা মণিপুরগী লান করম্বা মতমদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বা ঙমদে। মরমদি মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং য়ুনিয়ন লৈঙাক পায়রিবা ইন্দিয়া মচাশিং মণিপুরগী মরমদা লূম্না লৌদে, মবুকচেলসু শেংদে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ‘কংলৈপাক্কী শন্নপ্পা পূন্সি ৱারী’ - (৪)

- ফৌগৈশংবম ওংবী ইবেমলৈ -

হোজাই (আসাম)

ইংরেজনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু হিন্দু অমসুং ইশাই অনীগী মরক্তা লাইনীং লাইশোনগী চয়েৎনবা খরসু লৈহৌই। ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা নাগা অমসুং মীতৈগী মরক্তা খৎন-চৈনবা কয়া ওইরকখি। অসিগী মরকসিদা কুকিনসু চেঙপোৎতা মাইরেল তোপ্পগুম্না মখোয়গী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরক্লি। লৈবাক মরা তপ্না পাননবগীদমক পুরকখিবা কুকিসু ঙসিদি ইমুং কায়হনবা মীথুংলেন অমা ওইদুনা নার্কো টেররিষ্টকী শক্তম লৌদুনা মীতৈ লৈবাক্তা অচৌবা ভাইরস ওইদুনা মীতৈ লৈবাক্কী নুংঙাইবা শরুক মাঙহন্নবা হোৎনরক্লি। অদুগা কল্লক মীহৌবনা মরম ওইরগা লাকশিনবা অমদি খন্থবা ঙমদবা ৱাখল্লোনদগী মীহিং চাবগী শক্তম লৌদুনা মশানা চারিবা চাক্লুক্তুদা নেৎশিঞ্জদুনা লৈবাক্কী অমাঙবা পুরক্লি। মসিদা ঐখোয় মীতৈগী অমাঙবতা নত্তনা মখোয়গী পূন্সিদসু লৈতাফম অমদি পল্লেপফম লৈতবা অমসুং নুংঙাইবা শরুক ফংবা ঙমদনা তুংগী মীরোল ফাওবা লৈহৌরনি হায়বা নীংশিংবা লৈতনা নীঙাইদনা অরানবা খোঙজংদা চঙশিন্নরি। মীগী মাঙনবা শিল্লগা ইশাগী অমাঙবা ওইবগুম্না হেন্না মীহৌরুবনা পাপকী মশক ওইরকই, পাপকী মশক ওইরবদি পূন্সিসু তেল্লি।

পুৱারীগী মতুংইন্নসু কুকি ইচিল ইনাওশিংনা মণিপুরদা খোঙদারকত্রিঙৈগী চহী কয়াগী মমাঙদগী কংলা ফোর্ট লিংখৎতুনা লৈরম্লবনি। অদুগা কুকিগী হৌরকফম খঙদবা, হিষ্টোরিকেল, মৈহৌরোলগী ৱারী অমদি ষ্টেট লৈতবনা মরম ওইরগা মখোয়গী তুংগী লম্বীগীদমক নম্ফুদা ষ্টেট ফংননবা হোৎনরক্লিবসি নুংদা ঈশিং চাইবগুম্বনি। ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌনা খঙহৌদনা হৌরকপা অমসুং থাজদনা চাক্লকখিবা মৈরিদি মণিপুরগী পুৱারীগী লমায়দা মুৎনাইদনা লৈহৌরগনি। অসুম্না মণিপুরদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা চঙশিল্লক্তুনা মীতৈ ইমাগী তম্পাক্তা মোৎশিল্লক্লিবা অসি নোংমা নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলক্লি। অসুম্না হেনগৎলক্লিবা কল্লবা ঈচেল অমদি ঈরৈ অসিবু লৈঙাক্লোয় ওইবীরিবা ওজাশিং অমদি সোসল এক্তিভিষ্ট ওইবীরিবা ওজাশিংনা ঙাকথোকপীহৌদ্রবদি ঐখোয় মীতৈ হায়বা শাগৈ অসি মাঙথরক্তুনা তুংদা হৌরক্লিবা ইচাশিংগী পূন্সিদা নীংতম্বা ফংদদুনা উতাংবীগুম্না ওইহৌগদরা হায়না খল্লুবদা থম্মোয়দগী ৱাদবা ঙমজদে।

অসিতসু নত্তনা করিগুম্বা হরাও নুংঙাইগী থৌরম অমদা হরাও মীনোক তমজরুরবসু ইরৈবাক ইরমদমনা মীখা পোন্না হিংখিগদরা খল্লুবদা পূক্লিং লৈতানা নোকপা ঙমজদে। করিগুম্বা অমা ইৱাৎতা ৱাৎপগুম পূক্লিংদা লাংতক্লে। মপান থোঙদা হরাওজরুরবসু ইরোল নুংদা লৈরিবা অৱাবা অদুনা কোকথক্তা অরূম্বা পোৎশক অমনা ননবগুম্না ৱাজৈ। মরম অদুনা তুংদা হৌরক্লিবা ইচাশিংগী পূন্সি ওইগদবা অমদি লৈকোল অমবু ঙাক শেন্দুনা শেম শাদুনা পুখৎপা ঙম্বা মালিদুদা লৈকোলগী মপূ ওইহনবীয়ু। মীখলগী মতমদা শেল-থুম অমদি শক-মায় য়েংনগুমসি। পোলিটিক্স হায়বসি মালেমদা পুম্নমক্তগী অমোৎপা লুকমাই কৈথেলনি।

মণিপুর রাজ্য অমা ওইবতা নত্তনা কেন্দ্রিয় শাসিত প্রদেশ অমা ওইনা লৈজরিবনি। নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস অমসুং অজাদহিন্দ ফৌজগী নীংশিং খুদম ওইনা শীংথানীংঙাই ওইরবা ষ্টেদিয়ম অমসু মীতৈ লৈবাক্তা ঙাম্থোইহরি। মণিপুরনা মখল কয়াগী ওলিম্পিয়ন অমদি শগোল কাংজৈনচিংবা খুদোল তমদুনা ইন্দিয়াগী লৈকোলদা লৈচল অমা ওইনা য়াম্না মরু ওইবা রাজ্য অমা ওইনা লৈরিবনি। মসিগীদমক ঐখোয় মীতৈগী ওইনা য়াম্না চাউথোকচনীংঙাইনি। অসিগীসু মথক্তা মহৌশাগী ফজবা অমসুং পোত্থোক কয়ানা লেন্দ ওফ গোল্ড হায়না মালেমদা শীংথানরি। অদুগা কংলৈপাক্কী পূন্সি খোঙচৎসিদা হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী থোকখিবা ৱাথোক লাম্থোক অসিনা মীতৈ ঐখোয়গী কান্নবা অমসুং অমাঙবা অসিনা পুল্লগা অচৌবা অহোংবা পুরক্লি। মরমদি ঐখোয় মীতৈগী মীতৈ হায়বা ৱাহৈ অসি মালেমসিদা লৈরিবা ফূরুপ খুদিংমক্না মশক খঙনরমদে। অদুবু হন্দক কুকিনা হৌরক্লিবা ঈহৌ অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় মীতৈ হায়বা ৱাহৈ অসি ফূরুপ খুদিংমক্না খঙনবতা নত্তনা খোঙফমসু চেৎহৌরবনি। তাইবঙ মপূনা শিনবা খুদিংমক অফবা ঙাক্তনি। মরমদি করিগুম্বা অমা ফংননবা হোৎনবদা করিগুম্বা খরা মাঙবা হায়বসি তাইবঙগী হৌনশানি। অদুবু মাঙখিবা ইবুং ইপ্বা অমদি ইচাশিংগী অৱাৎপা অদুদি পূন্সিনা লৈরিঙৈদদি কোকপা ঙল্লরোই।

অদুগা কুকিনা ঙম্নবা কন্না হোৎনজরবসু থৌদবা হুইনা খোংবা হেনবগুম অরানবা অমা লোৎনবা হোৎনবদা ৱাহৈ চাম্মা ঙাঙবা মথৌ তারকই। মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদবগুম্না অচুম্ববু অরানবনা কয়াম কুইনা নমথদুনা থম্বা ঙমগনি। ফুইনা হৌরকপা অমম্বা নোংনা থাজগী মেংলবা ময়াই, মঙালবু মতম শাংনা লোৎশিন্দুনা থম্বা ঙমদে। মরম অদুনা কংলৈপাক্কী ইচিল ইনাওশিংগী মফমদা ইকোক নোন্দুনা হায়জনীংবদি কংলৈ ইমাবু কন্ননবা হোৎনবদা নীংহন্নবীগনু, হোৎসু হোৎনবীরি। তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই হায়নবগুম অপূনবা, অচুম্বা অমসুং লিংজেল মান্নবনা পাঙ্গলনি। অসুম্না কংলৈপাক্কী ঙমখৈ অমদি শক্তম্বু কায়দনা মরা তপ্না পানবা ঙম্বা পীনবীয়ু হায়না তেংবানবা মপূদা থৌনিজরি। কংলৈপাক্না য়াইফরে, মীতৈ লৈবাক্না য়াইফরে। ●

# ‘কংলৈপাক মৈহৌরোলদৈ মুক্না কাংজৈ মশানবা ...

(লমায় ৪গী মখা...)

মুক্না কাংজৈ শান্নগদবা ফমলেন মাদি ফম্নাইবা ইনিংথৌ ইবুংঙোগী কোম্থা কোন্দা হৌদোকচগে হায়না ইনিংথৌদা পাওহংজরবদা ইনিংথৌ নাওফংবনা হোয়াজনা মুক্না কাংজৈরোন মশানববু কংলৈকোন্দা মহৌরসি, নিংথৌ ঐনা পামজবনে হায়না ফম্নাইবা শেনকোইদা নোংতমবীখি। মদু ওইরবদি লৈবাক মপুরেন্না হায়রকই - করি করম্বা নুমিৎলোমদা মুক্না কাংজৈ অদো করম্বা নুমিৎ থবান্দা শান্নগনি হায়না ইপুদা হংজখি। ইপু ফম্নাইবনা হঙ্গৎচখি ... ননাই নপুনা খঞ্জরিবা নুমিৎ অদুদি কালেনগী ৩নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবগী মতুং য়ুথক ইগী তাংফমদা মুক্নারোই ২না শান্নসিরা হায়না ননাই নপুনা খঞ্জবনি। ফম্নাইবা মঙাং শেনকোইবগী য়াৱা মপাও তাবদা লৈবাক নিংথৌনা অসুম্না নোংতম্বীখি। লৈবাক নিংথৌ ঐনা অপাম্বদু থোক্লে হায়না ইপুদা হায়জখি।

লৈবাক নিংথৌগী ময়াথং ফংজরবদা মঙাং শেনকোই ফম্নাইবনা মুক্না কাংজৈরোন তম্বা নুপা ৮ কৌখৎতুনা সনা কোনুংদা নোংতমখি। নোংপোক পানা ওইনা লুৱাং ফমজৌবনা শিনকুমলোয় ওইদুনা লৈবাক নিংথৌগী মুক্না কাংজৈরোন তম্বা নুপা ৮গা লোয়নদুনা নিংথৌগী সনা কোনুং কাজাও ইনুংকোন মুক্না কাংজৈরোন খঙবা হৈবা লৈবাক মপুরেনগী মনাই অচানবা অঙোম চাখাববু কৌদুনা সনা কোনুংদা কৌখৎলমই। মুক্না কাংজৈবু খৃ: ৪৩২, শজিবুগী ১৭নি পানবদা মুক্না কাংজৈ তম্বা নুপা ১৬পু অঙোম চাখাবনা নুমিৎ শিংকুম ১৪নি চূপ্পা সনা কোনুংগী কাজাওদা মুক্না কাংজৈ তম্বীদুনা শিন্থাবু মখঙজখি।

লৈবাক নিংথৌগী সনা য়াথংনা শগোল্লোয় ৪বু কৌখৎলমই। অদু নোংদা মনাই ৪না কোক নোঞ্জনা ইনিংথৌদা পাউহংজখি। লৈবাক মপুরেন্না মনাই ৪বু সনা য়াথং করি তাকপীগদবা, লৈবাক মপুরেন্না মনাই ৪বু য়েংলদুনা হায়রকই। শগোল্লোয় পুম্নমক তারো- কংলৈপাক্কী মায়কৈ ৪ শন্তাই ৮দা লৈরিবা সলাইচাশিং পাউথাং খৈনা পাউজেল্লো। পাউজেলগদবা য়াৱাদি - লাক্কদৌরিবা কালেনগী ৩নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎলোয়সিদা কংলৈসিদা মুক্না কাংজৈ নুংথিলগী য়ুথক ২শুবা মতমদা পানা ২ থোক্না খায়দোক্তুনা শান্নগনি, সলাই খুদিংমক কংলৈগী মশুমাং মহৌপুংদা খোঙদোইরক্কদবনি। শগোল পাউজেল্লোয় ৪না খৈনা পাউজেনখি।

মৈনা ৱাই তাংনা শম নুমিৎলোয় অদু মওইরক্লে। কালেনগী ৩নি পানবা য়ূমশকৈশা। নুমিৎলোয় অদো কংলৈদা নিংথৌগী মুক্না কাংজৈ শান্নগনি হায়বগী পাউবু তারদুনা সলাই ৭কী মীপূম খুদিংমক শুনা তিনখ্রে। কংলৈ নিংথৌগী মশুমাং মথৌপুংদা য়াম্লবা মীয়াম্না মুক্না কাংজৈ য়েংনবগীদমক পনলোন ৪না খারমই। পনলোন্দুগী ৱাংমদা সলাই পুম্নমক মাগী মাগী ফম্ফম লাংদা মুক্না কাংজৈ য়েংনবগীদমক ফমদেংজরমই। পানা অনীমক ইনিংথৌ ইবুংঙোগী ফম্নাইবা পানা ঙাক্তনি। লৈবাক নিংথৌগী ফম্নাইবা মঙাং শেনকোইবা পানাগী মীওইশিংদি - (১) অঙোম শাজৌবা (২) মোইরাং চাখাবা (৩) লুৱাং তানফৌবা (৪) মঙাং চাইজিবা (৫) খাবা ঙাঙোইবা (৬) শারাং তোনু (৭) খুমন তোয়াই (৮) অঙোম থোইরেনবনে। মখোয় ৮না মঙাং শেনকোইবগী কংলৈ পানানে। অনীশুবা পানাদি ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবগী ফম্নাইবা লুৱাং ফানচৌবগী মুক্না কাংজৈরোনগী মীওইশিংদি - (১) লৈশাং শেরুংবা (২) খাবা পাওদোইবা (৩) খুমন ঙাঙোইবা (৪) অঙোম পেরিবা (৫) খমলেন তোম্বা (৬) খুমন চাখাঙম্বা (৭) লুৱাং হৈরেনবা (৮) অঙোম চিখা ঙম্বনে। লৈবাক নিংথৌগী নোংপোক পানানি। কংলৈ পানাগী ফিজেৎ লৈতেংদি কুপত্রেং নিংগাং য়ৈবা ফিজেৎ মচুদি সনা অহিংবা মচুনে। পাপোৎ লোনফৈ খ্বাংনমদি য়ুমফা খ্বাংচেৎ ফিনে। কোকয়েৎতি কোকলেন কাগনি। সনা অহিংবা মচুনা য়েৎকনি। নোংপোক পানাগী ফিসুরোন্দি - কুপত্রেং নিংগাং য়ৈবা ফিচেৎকী মচুদি অমুবনে। পাপোৎ লোনফৈ খ্বাংনমদি য়ুমফা খ্বাংচেৎ ফিনে। কোকয়েৎতি কোকলেন কাগনি। অমুবা মচুনা য়েৎকনি।

লৈবাক নিংথৌগী য়াথংনা শগোল্লোয় ৪বু কৌখৎলমএ। অদু নোংদগী মনাই ৪না কোক নোঞ্জনা ইনিংথৌদা হঙ্গৎচরমই। মনাইশিংদা লৈবাক মপুরেন্না সনা য়াথং করি তাকপীগদবা লৈবগে হায়না কোক নোঞ্জনা হঙ্গৎচখি। ইনিংথৌনা শগোল্লোয় ৪বু য়েংনা হায়রল্লমই - তারো নাপা চিরেন্দা - কংলৈপাক্কী মায়কৈ ৪ শুমতাই ৮দা সলাইচাশিংদা পাউথাং য়ৈনা পাউজেল্লো। পাউজেলগদবা য়াৱাদি - লাক্কদৌরিবা কালেনগী ৩নি পানবা য়াইফরবা য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিলগী য়ুথক ২গী মতমদা কংলৈদা মুক্না কাংজৈ শান্নগনি হায়না পাউজেল্লো। নিংথৌগী হিকতোকফদা য়াৱাবু মায়কৈ শিন্না পাউথানখি।

ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবা সনা হাক্তক্কী মতমরেন্দা মুক্না কাংজৈগী মশান্নদা কংলৈ পানা অমদি নোংপোক পানা অনীনা নুমিৎলোয় মতমদু ওইরদুনা কংলৈ নিংথৌগী মশুমাং মথৌপুংদা ফমদেংদুনা লৈরিবা ফম্বাল নাক্তা চঙলক্তুনা কোক নোঞ্জখিরমই। অদুগা তিল্লিবা সলাইচা খুদিংমক্তসু কোক নোঞ্জরমই। মখোয় মখোয়গী কংলৈ পানা, নোংপোক পানা খায়না মথৌ পুংগী য়াইদা লেপ্পখি। কংলৈ পানানা অৱাংলোমদা লেপ্পখি। নোংপোক পানানা খাদা লেপ্পখি। মখূৎতা কাংজৈ পায়দুনা মুক্না কাংজৈরোই লেপ্পখি। লৈবাক নিংথৌনা থোল্লক্তুনা হনত্রেৎ হায়না ৩ রক হাইদুনা কাংদ্রুম অদু হুনখি। মীয়াম পুম্নমক্না হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা খূপাক খুদুনা অঙকপা অমা ওইনা য়েংজখি। নোংপোক পানানা অমদি কংলৈ পানানা অনীনা কন্না মুক্না কাংজৈ শান্নরকপনা নোংপোক পানানা পাঞ্জল ৫ চনখি। কংলৈ পানানা পাঞ্জল ৭ চনখি। কংলৈ পানানা পাঞ্জন ২ হেন্দুনা থোইখি। অঙকপা কুম্মৈ অমা ওইদুনা মীয়াম নিলনা য়েংখি। মদু নোংদগী ইনিংথৌনা পায়মা পূক্লিংদা পেনবীরদুনা শান্নরোয় খূদিংমকপু পূক্লিং থৌগৎতুনা মনা মথুম পীদুনা মদু নোংদা নোংতম্বীখি। মুক্না কাংজৈরোন শান্নবগী মশান্না অসিবু ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবা সনা হাক্তক নোংতমখিবা ৱাবু নিংথৌ শিংকক পুয়ানা লাতম ৪৫না ময়েক শেংনা পীরি। মৈনা ৱাই তাংনা শম, তৎপা কাংবা লৈতনা চৎথরকপনা হৌজিক ফাওবা উমং লাইগী লাই হরাওবা লাইরোই নুমিৎ, তুংদারেন্দা পুথোক্তুনা চৎনদুনা লাক্লি।

*- লৈহাওরুংবম অমুয়াইমা সলাই খাবা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৯

১) **“মণিপুরী গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম অমসুং তিন প্রভু”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) **“মীৎকূপ খরদং”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৩) **“মচাথোই অমসুং লাইচনুরা”** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“এদোরেসন ওফ মাদর”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা ইবা লাইরিক অমদগী ইংগ্রাজিদা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবা, করি মমিং কৌবা লাইরিক্নো অমসুং কনানা হন্দোকপগে?

৫) **“অদ-তাইয়ে!”**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।